# মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা ফাইভ এ-সাইদ হোক্কীগী এষ্ট্রো টর্ফ শেমগৎনবা থবক থৌরাং লোইরে, ওলিম্পিক শরুক য়ারিবা হোক্কীগী শান্নরোয়শিংনা মকোক ওইরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি : গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম

**শান্নবুংগী পাউদম-১১**
জয়চান্দ লুৱাং






ইন্দিয়াগী হোক্কী মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফম পায়রিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা মহাক্কী অচিনবা মতম কায়থোক্তুনা পাউচে অসিগা মতম খরখক ৱারী শানবদা মণিপুরদা হোক্কী মশান্না অসিদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি হেন্না ফগৎনবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা ফাইব এ-সাইদ হোক্কী শান্নবা য়াবা এষ্ট্রো টর্ফকী মফমশিং শেমগৎনবগীদমক্তা লৈঙাক্কা ৱারী শানদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী মিজোরাম ষ্টেটতগী শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা য়াইফ থৌনী পীবগা লোয়নননা মখোয়না অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নবগী লম্দা মণিপুর অসি পীকচরবসু স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়না লৌনরিবনি। মসিদা মণিপুর অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মীশীং য়াম্বা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবদা চাং ৱাংনা লৈরিবনি। মরুওইনা হোক্কীগী লম্দা কুমজা ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী গোলকিপর নিলকোমোলনা মণিপুরগী অহানবা ওলিম্পিয়ন অমা ওইনা শরুক য়াখি। মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী হোক্কীগী লম্দা মণিপুরগী কন্ট্রিব্যুসন অসি চাওনা লৈরকখি। শান্নরোয় কয়া অমনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মকোক থোংবা কাখল কয়া লৌশিনবা ঙমখ্রবা মতুং য়াম্না লেমজ-নিংঙাই ওইবা মওংদা মশান্না অসিগী ইন্দিয়াগী ওইবা খ্বাইদগী চাওরবা লূপ হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী থৌদাং অদু মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা লৌরকখিবনি।

প্রসিদেন্ট অসিনা পাউচে অসিদা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইবগী থৌদাং লৌরবা মতুং ইন্দিয়াগী ওইরিবা হোক্কীগী ফীভম অসি য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি ওইবা, মীচং মীখায় নাইদবা মওং অমদা থবক থৌরম পুন্নমক পায়খৎলি। মণিপুরগী ওইনা নুপাগী হোক্কীদা মমিং লৈরবা হান্নদগী ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা কোথাজিৎ অমসুং চিংলেনসনা ওলিম্পিক গেমসতা খল্লত্তুবগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা, টিম অসিগী কোচ ওইরিবা গ্রাহম রিদনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরোয় খূদিংমক্কী মেন্টেল, ফিজিকেল, এন্দ্যুরেন্স অমদি স্কিলশিং অদু য়েংলগা কোর গ্রুপতা খনগৎখিবা শান্নরোয়শিং অদুনা কদায় ফাওবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমগদগে হায়বগী অশেংবা শক্তম অদু য়েংলবা মতুং খনগৎলকপদা মখোয় য়াওখিদবনি। হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মফম অমগী ওইবা শান্নরোয়শিংদা মীচং মীখায় নাইবগী থবক থৌরম অমত্তা লৈতে হায়বগী ৱাফম অসি হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিগী খনগৎলকপা শান্নরোয়শিং অসি লাউথোরকপদা খঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কীগী মতাংদা মখা তানা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোরকখিবদা, পুখ্রম্বম সুশিলানা য়াম্না লেংদনা মহাক্কী পোজিসন অদু কনবা ঙমদুনা শান্নবা ঙম্লিবনি। অদুগা নহা ওইরিবী জুনিয়র থাক্তগী সিনিয়র থাক্তা অপগ্রেদ তৌরক্লবী গোলকিপর খারিবম বিচু হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী সিনিয়র হোক্কী টিমগী গোলকিপর অসিগা এক্সপরিয়েন্সকী মতাংদা য়েংনরুবদা খরা ৱাৎপদগী মহাকপু টিম অসিদা কোচ ওইরিবা সিওর্দ মারিনেনা লাউথোরকখিবা টিমদা য়াওখিদবনি। অদুবু মখা তাবা লাক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স কয়াদা মহাক্কী অচৌবা কাখল অমা লৈরগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা মখা তারকখিবদা, ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অসি য়েংলুরগদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল শুংশোয় শোয়দনা ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা পাঙথোকপা প্রো হোক্কী লীগতা মমাংগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাবু মরমদমদা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক থোইবা ঙমখিবা অমদি থাক ৱাংনা লৈরিবা লৈবাক কয়া অমসু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অদুনা ওলিম্পিক্সতা মেদলগী অচৌবা থাজবা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মখোয়না লম্বা তৌনখিবা মখোয়দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা টিমশিংবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা অসিনা ওলিম্পিক্স অসিদা মখোয়গীসু অচৌবা লম্বেল অমা লৈরি হায়না থল্লকখি। মণিপুরগী ওইনা জুনিয়রগী থাক্তা হোক্কী ইন্দিয়ানা কোর গ্রুপতা খনগৎলবা নুপাগী ওইনা রবিচন্দ্র, দিনাচন্দ্র অমসুং নিরজকুমার খক্তা নৎতনা নুপীগীদা জুনিয়র টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবী থৌদাম সুমনসু লৈরি। মখোয়সু মতম খরগী মতুংদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিমদা শরুক য়াদুনা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমগদৌরি।

মণিপুরগী ওইনা হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরগা পাউ ফাওনদুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬মক্তা ফাইভ এ-সাইদ হোক্কী টর্ফ শেমগৎনবগী থবক পায়খৎতুনা অথুবদা অনৌবা নহা ওইবা শান্নরোয় কয়া অমা থোক্লকপা ঙল্লগনি হায়না গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোরকখি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগনা ইন্দিয়াগী অহানবা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট লমথাখ্রে



টোকিও, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৩দগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১২৫ অমদি অতোপ্পা ওফিসল ১০০গা লোয়নননা পূন্না মীওই ২২৫গী টিম অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা মীওই ৮৮গী কন্টিঞ্জেন্ট অমা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুর অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট নিটিশ প্রমানিক য়াওনা ন্যু দেল্লীদগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং অদুবু লমথাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি লমথাবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বট্রা, এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মেহটা অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধানসু শরুক য়াখি।

আর্চরি, হোক্কী, বেদমিন্টন, টেবল টেন্নিস, জুদো, জিম্নাষ্টিক্স অমসুং ৱেথলিফটিংগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল ষ্টাফশিং অদুনা টোকিওগীদমক্তা খোঙশানখিবনি। মদুদা হোক্কীগী শান্নরোয় অমদি ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্বা মশীং কন্টিঞ্জেন্ট অদুদা ওইখি। হৌজিক-হৌজিক মালেম্না থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকফমদা লৌখৎলিবা কাঙলোনশিং অদুগী চপ চাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা ঙসি খোঙশানখিবা শান্নরোয় অমদি দেলিগেটশিং অদু ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈ মনুংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রবনি। লোয়নননা জপান য়ৌরবা মতুংদা অমুক্কসু হন্না টেষ্ট তৌগনি হায়রি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোয় ৪ জুলাই ২৪দগী শান্নবা হৌগনি, ২৫দা বোক্সর মেরি কোম মহাক্কী অহানবা বাউট শান্নগনি




টোকিও, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৩দগী জপানদা হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্দিভিজ্যুএল মশান্নশিংগী শান্নরোয় অহুমগী মনুংদা শান্নরোয় ২ জুলাই ২৪দা মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দশিং অদু শরুক য়াগদৌরি। হায়রিবা নুমীৎ অদুমক্তদা নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা অনীসু শান্নগনি। অদুগা থংনবা নুমীৎ জুলাই ২৫দা বোক্সিংগী ওইনা এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী অহানবা বাউট অদু শান্নগদৌরি।

জুলাই ২৪গী অয়ূক পুং ৬.২০ চৎপা মতমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতাইন্দিয়াগী ওইনা ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনদা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরিবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা নুপীগী ৱেথলিফটিংগী কিলোগ্রাম ৪৯গী গ্রুপ বিদা কম্পিটিসন হৌগ-দৌরি। নুমীৎ অদুমক্কী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা মিরাবাই চনুগুম্না ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুদা জুদো দিসিপ্লিনগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা এথলিট অমা ওইনা শরুক য়ারিবী লিকমাবম শুশিলানা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা রাউন্দ ওফ ৩২গী কম্পিটিসন শরুক য়াগদৌরিবনি।

নুমীৎ অদুগী অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা হোক্কীগী ওইনা নুপাগী মায়কৈদা মেদল ফংবগী অচৌবা মঙলান থল্লিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা শংলাকপম নিলাকান্তনা নুপাগী পুল এদা অহানবা মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দগা শান্নবদা শরুক য়াগদৌরি। লোয়নননা নুমীৎ অদুগী নুংথিলপুং ৪.১৫ তাবা মতমদা নুপীগী হোক্কীদা ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনুসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা নেদরলেন্দসকা শান্নবদা য়াওগদৌরি।

থংনবা নুমীৎতা নুপীগী বোক্সিংদা মেরি কোমনা অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ফ্লাইৱেথকী রাউন্দ ওফ ৩২গী অহানবা বাউট শান্নগনি।

# ফ্রেঞ্চ মচা ওলিভর জিরোদনা চেলসি ফুটবোল ক্লবতগী ইটালিগী ক্লব এ সী মিলানদা ট্রান্সফর তৌবা য়ানখ্রে




রোম, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় ওলিভর জিরোদনা মমাংদা শান্নরম্বা হৌখিবা সিজনগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেলসি ফুটবোল ক্লবতগী হোংলদুনা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানদা নৌনা শান্নবগীদমক্তা অরোইবা খূৎয়েক পীনখ্রে।

ৱাফম অসি ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকপনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা ফ্রান্সনা ফিফা ৱর্ল্ডকপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখিবদা শরুক য়াখিবা ওলিভর জিরোদনা ইটালিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী হৌখিবা সিজনগী অনীশুবা পোজিসন তাখিবা এ সী মিলানগা খূৎয়েক পীনদুনা টিম অদুদা চেলসিদগী হোংলগা নৌনা শান্নগদৌরিবনি।

এ সী মিলানগী মায়কৈদগী ফ্রান্স মচা ওলিভর জিরোদনা চেলসিদগী ট্রান্সফর তৌদুনা ক্লব অদুদা শান্নগদৌরিবা অদুদা হরাউবা ফোঙদোক্তুনা চহী অনীগী ওইবা কন্ট্রেক্ট অদু মপূং ফারে হায়বগা লোয়নননা মহাক্না এ সী মিলানদা লাকপা মতমদা জর্সি নম্বর ৯ লিংৎপগী খূদোংচাবা অদু ফংগদৌরি।

জিরোদনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না হান্না শান্নরম্বা চেলসিগী টিমমেটশিং লোয়নননা কোচশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ক্লব অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী খূদোংচাবা কয়া অমা ফংখিবগীদমক থাগৎখি।

# অৱাবা নংলবা নারেংবম রোহেনদা এল এম জিনা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকাইদা লৈবা বেঙ্গলোর এফ সীদা চহী ১২ মখাগী গোলকিপর ওইনা শান্নরিবা নারেংবম রোহেননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অদুগী মতাংদা এল এম জি (লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ)না মতেং ওইনা শেলগী ওইবা লুপা লিশিং ৭ তেংবাঙখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নারেংবম রোহেননা থা অসিগী ২৫দা বেঙ্গলোর এফ সীদা মখা তানা চহী ১২ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ওইবা টিম অদুগী ট্রেনিং চত্থনবা ইম্ফাল থাদো-ক্লবগী মতাংদা শেলগী অৱাৎপা লৈরকপদগী এল এম জিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন রজিভকুমার, সেক্রেটরি সোরোখাইবম ওজিৎ, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, সাপম মনিহার অমদি শুমাঙ লীলাগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট বোবি খুন্দ্রাকপম অমদি মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শান্নরোয় নারেংবম রোহেনগী অপোকপা অমদি অপোকপী অনীগী মফমদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ৭কা লোয়নননা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর খূৎশিন্নদুনা মতেং পীখ্রে।

মতেং ফংলবা শান্নরোয় রোহেননা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসিদা থেংনরিবা অৱা-অনা অমদি খূদক্কী ওইবা খূদোংথিবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইরগা কা-হেন্না অৱাবা নংলবা মীওই কয়াগী ইমুংশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংলক্লিবা এল এম জিগী লূপ অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মরুওইনা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা মীৎয়েং চঙবীরকপা অসিগীদমক্তা থাগৎলক্লি।

# লনচেনবী লৈখিদবদা ৱিমেন ফুটবোল একাদেমি ককচীংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
ৱিমেন ফুটবোল একাদেমি (দব্লিয়ু এফ এ) ককচীংনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী কৈরক তোমাল মখোঙদা লৈবী সলাম সুধির লুৱাংগী মচানুপী মশাগী চহী ১২দা ঙাইরিবী সলাম লনচেনবীনা থা অসিগী ১৪দা নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ৱিমেন ফুটবোল একাদেমিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা অৱাবা ফোঙদোরকপগী চেরোলদা সলাম লনচেনবী একাদেমি অসিগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বনি। মহাক্না লৈখিদবদা একাদেমি অসিগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা লৈখিদ্রবীগী থৱায় মিরেলনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনীখিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রক্লি।

# য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা হোক্কী শান্নরোয় নিলাকান্ত শর্ম্মা, সুশিলা চনু, ৱেথলিফটিংগী মিরাবাই চনু, জুদোগী শুশিলা লিকমাবম অমসুং বোক্সিংগী এম সী মেরি কোমনা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎলকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মৈতৈ ইপানাৎ ইপুনাৎ কনবা লূপ (এম আই আই কে এল) কাইরং ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। শান্নরোয়শিং অসিনা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা মকোক থোংবা ওইরসনু হায়না থৌনীখিবনি।

# ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্টকীদমক্তা টিম ১০ অম্ফানা নোমিনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৮ মখাগী নুপামচাগী ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১গীদমক্তা ক্লব ১০ নোমিনেট তৌখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

অম্ফানা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়ারে হায়না নোমিনেট তৌরবা ক্লবশিং অদুদি এস এফ সী সেনাপটি, এস ৱাই সী সগাং, ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি, এন ঈ এস য়ু খুরাই, এম সী কে কবো ৱাকচিং, জি দি সী থিনুঙ্গৈ, পাময়াল পাৎসোই, এস দি সী সমুরৌ, ৱাই ও এস সী খুরাই অমসুং এস এস সী পোরোম্পাৎনি।

অম্ফাগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা চহী ১৮ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল ক্লবশিং অসিগী মায়কৈদগী তঙাইফদনা চঙবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমদি অতোপ্পা দোক্যুমেন্টশিং পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা নোমিনেট তৌরবা ফুটবোল টিম ১০গী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অমা ওগষ্ট ১৮গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবা মতুং লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্না পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মখুৎ লোন্নরদুনা পাউজেল পীরিবা পূন্নমক্কী শাফনবনি



মণিপুরদা মতম খরগী মমাংদগী থল্লক্লিবা কর্ফিয়ুশিং মীয়াম্না মপুং ফানা কো-ওপরেসন পীবিদবদগী ঙসিদি ইরমদম অসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং কীনিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপদা নত্তনা মী শিবগী চাংসু নোংম-নোংমগী কাংদনা হেনগৎলক্লিবা অসিদগী কন্ননবা হয়েংদগী সী এমনা থম্মোয় শোক্না মখুৎ ফাওবা লোন্নদুনা মীয়ামগী শাফনবগীদমক নুমীৎ ১০নিগী টোটেল কর্ফিয়ু লাউথোকপীরকপসি ঐখোয় মীয়াম্না মপুং ফানা সপোর্ট তৌদুনা কনা অমত্তনা য়ূমদগী মপান থোক্লদনা অৱাবা কয়াশিং খাঙমিন্নরগা কোভিদপু মায়থিবা পীরসি। লোয়নননা লৈঙাক্লসু কোভিদপু মায়থীবা পীবদা হেন্না অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবা মাস ভেক্সিনেসন দোর টু দোর চৎপগী তঙাইফদ্রিবা ষ্টেপশিংসু টোটেল কর্ফিয়ু মনুংসিদা ৱার ফুটিংদা লোইশিলহৌনবা হোৎনবিরবদি পূন্নমক্কী হেন্না শাফরগনি। তৌবতদি ৱার ফুটিংদা ভেক্সিন কাপ্পা চৎকদৌরিবা মীওইশিং পূন্নমক মপুংফানা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকখ্রবা অমদি ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিং ওইহনবিরবদি মীয়ামগী অকিবা অমত্তা লৈররোই। অদুম্না তৌবিরবদি মীয়ামনা হৌজিক-হৌজিক কীনরিবা অমদি থোক্লরক্ত্রিবা অসি থোক্লরক্তুনা হেন্না কো-ওপরেসন পীনরক্কনি হায়জনিংঙই।

❒ টিঐচ বিরেন, নিংথৌখোং - ১৪

### থাউগী অমদি চান-থক্লবা পোৎলম খুদিংমক তাঙখৎলকপনা মীয়াম কোক্তা খুৎ হাপ্লরে



হৌজিক-হৌজিক মীওইবনা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং কা হেন্না মমল ৱাংখৎলকপনা লায়রবা লৌমী মীয়ামদি কোক্তা খুৎ হাপ্লে। লৌখোই শেল অমদি খুলং নেকপগী মমল অতৈ-অতৈ লৌ উবদা চঙবা হীদাক-লাংথকশিং অমদি হার চাইনবা ফংদবা কয়া লৌমীশিংনা মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী হার ফংদ্রবসু লনাই করবারগী হারদি লৈরক খুল্লক্তা অদুমক মমল ৱাংনা য়োল্লি-ফংলি। ইথৈ লৌখোং কয়া ঈশিং চেনবা ঙমদনা ফুনজিন্দুনা অমদি তোর্বান কায়দুনা ঈশিং ফংদনা লৌ উবা য়াদনা নোং চুরকপা ঙাইদুনা লৈরি। ইশেং-শেংনা হায়রবদা অখন্নবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং অমা পাক শন্না য়েংশিনবিদুনা লৌমীশিংনা মতম-মতমগী থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি মতম চুপ্পগী কোক্লনবা শিনবিবা লৌমী ময়াম্না পামজৈ। মালেমদা চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিং অসি লৌউ-শিংউবদা হান্না মপাঙ্গল পীখিবনা অনম্বনি। অদুবু ঐখোয়গীদি কদাই ? চিঞ্জাক্না মীপাল তাংদবা হায়না লাউরবসু চহী-চহী খুদিংগী মপালদগী চেং পুশিল্লকপদি হেনগৎলক্লি। মপালদগী পুশিল্লকপা হৱায়-তিলহৌ-আলুনচিংবা কয়া অসি মণিপুরগী পাক চাওরবা হাংদুনা লৈরিবা লৌবুকশিং অসিদা মতম-মতমগী মরু-মরাং পীদুনা থাহন্দুনা পোৎথোক পুথোক্লবা শিনবিবদা করি অকায়বা লৈবগে?

❒ নিংথৌজম তোমজেমস, লম্বাল অৱাং লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।


# EMPLOYMENT NEWS

- **IMPHAL BRANCH :-** Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- **SAMUROU BRANCH :-** Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- **MOIRANG BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **THOUBAL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **NAMBOL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2


OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : **L.G. MOTORS**
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/6970/28/6-18/7


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 173



**Karman, Anna (1042) - Scheel, Sebastian (875)**
**DEM U10 Willingen (6), 2001.06.06**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Bc5 4.d3 h6
5.Nc3 Nf6 6.Be3 Bxe3 7.fxe3 d6 8.Qe2 Bg4
9.h3 Bxf3 10.Qxf3 O-O 11.O-O-O a5 12.Rdg1 a4
13.a3 Rb8 14.g4 Nh7 15.Nxa4 b5 16.Bd5 bxa4
17.Bxc6 Qc8 18.Bxa4 Qb7 19.Bb3 Qc6 20.h4 Rxb3
21.Kb1 Rb5 22.c4 Rb3 23.g5 hxg5 24.hxg5 d5
25.Qh3 Qg6 26.Rg2 f6 27.gxf6 Qxf6 28.Qxh7+ Kf7
29.exd5 Rbb8 30.Rhh2 Qf1+ 31.Kc2...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 172 Ans. :**
45. ...Kg8 46.Rg7+ Kh8 47.Rf7 Kg8 48.Rxf8+
48. Rg7+ Kh8
48. ...Kxf8 49.Qxf6+ Ke8 50.Qh8+ Ke7 51.Qxh7+ Kd6 52.Qxg6
46. Rg7+ Kh8 47.Ra7 Kg8 48. Rg7+ Kh8 49.Rf7Kg8 50.Rxf8+ Kxf8 51.Qxf6+ Ke8 52. Qh8+ Ke7 53.Qxh7+ Kd6 54. Qg7 a3 55. h7 Qc1 56. Qe5+ Kd7 57. h8= Qa2 58.Qhg7+ Kc8 59.Qxe6+ Kb8 60.Qb6+ Kc8 61.Qbb7+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com